HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses

ষ্টেট লেবেল নুপী লাল নীংশিং লমজেলদা শরুক য়াখিবীশিং

Vol. 42, Issue No.260 | শগোলশেল, পোইনু ৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, December 13, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

MEDILANE
Medilane Ambulance number
8723004849, 7085244123
7085396969, 7005022100
These AMBULANCE NUMBERS are available 24x7 for emergency and accident.
Free AMBULANCE SERVICE for accident.

পেসেঞ্জর ১৩৬ শম্নাদা হিংহৌরে

কোলকাটা,দিসেম্বর ১২(এজেন্সী): জয়পুরদগী কোলকাটা তম্না পাইবা ইন্দিগো ফ্লাইটকী পেসেঞ্জর ১৩৬ শম্নাদা হিংহৌরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। নোংথক্তা পাইরিঙৈদা প্লেনগী কেবিন মনুংদা মৈখু চঙলকপদগী খুদক্তা ইমর্জেন্সি লেন্দিং তৌখি। কোলকাটাদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৮*

আই-এমগী ভাইস চ্যেরমেন লৈখিদ্রে

কোহিমা, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী): নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সীল ওফ নাগালিম-আইসাক মুইভা (এন এস সী এন-আই এম) গী ভাইস চ্যেরমেন, জেনরেল (রিটয়ার্দ) খোলে কোনয়াক লৈখিদ্রে। মীদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৩.৬৮ °C	১১.৪০ °C
চান্দেল	এন এ °C	এন এ °C
সীসীপুর	২৫.৮০ °C	১০.৩৯ °C
ইম্ফাল	২৬.১৬ °C	০৯.৮০ °C
সেনাপতি	২৩.৯০ °C	০৮.১৪ °C
তমেংলোং	৩১.২২ °C	১১.৯৯ °C
থৌবাল	২৩.৫৪ °C	১০.৫৮ °C
উখ্রুল	২২.১১ °C	০৮.৪৪ °C
মণিপুর	৩১.২২ °C	০৮.১৪ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৬ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৭
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	81.602089
US Dollar	71.992981
British Pound	90.243988
Australian Dollar	51.889650
Chinese Yuan Renminbi	10.449236
Japanese Yen	0.634595
Malaysian Ringgit	17.207509
Australian Dollar	51.889650
Singapore Dollar	52.411660
South Korean Won	0.063776
Saudi Arabian Riyal	19.198128
Thai Baht	2.196172
Myanmar Kyat	0.04519
Bangladesh Taka	0.85883

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 32342.25
Mumbai	–	Rs 32941.18
Delhi	–	Rs 33048.13
Kolkata	–	Rs 33465.24

HL POLL

Q : State ahumda Congress na mai pak-libasi centrena thabak fajana toudabagini khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Urjit Patel fam thadokkhibasi centre amasung RBI mukna-rakpadagini haina loubra?

Yes 95% No 05%

অস! লোইরেহে!


ৱি শেল ওভরকম সম দে ও দিপ...
অহু...অহু...অহু...!
ময়াম ঈংনা লৈবীয়ু, নৌনা য়াওবা নখোয় লাইবক ফৱবনি...!

মিজোরামদা জোরামথাঙ্গা, তেলঙ্গনাদা চন্দ্রসেখর রাও চীফ মিনিষ্টর ওইরগনি

ছটিশগর, মধ্য প্রদেশ অমসুং রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর কনানা ওইগনি হায়বদু ঙসি খঙলগনি

জোরামথাঙ্গা

কে চন্দ্রসেখর রাও

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী): এসেমব্লী মীখলগী ফল লাউথোকখ্রবা ষ্টেট মঙাদা লৈঙাক শেম্নবা থৌরাং লৌখৎপা হৌনখ্রে। তেলঙ্গনা রাষ্ট্র সমিটি (টি আর এস) অমসুং মিজো নেসনল ফ্রন্ট (এম এন এফ) না মায় পাকখিবা তেলঙ্গনা অমসুং মিজোরামগী ওইনদি মথংশিংনা শগোলশেন অমসুং থাংজ নুমীৎতা অনৌবা লৈঙাক ৱাশক লৌরগনি হায়রি।

এজেন্সীগী পাউনা হায়, মীয়াম্না কে সী আর হায়রগা হেন্না খঙনবা কে চন্দ্রসেখর রাওবু শগোলশেন নুমীৎতা তেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি। মিজোরামগী ওইনদি এম এন এফকী প্রসিদেন্ট জোরামথাঙ্গাবু থাংজ নুমীৎতা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌনবা শেম-শারে।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা এম এন এফকী প্রসিদেন্ট জোরামথাঙ্গানা হায়খি, দিসেম্বর ১৫ দা ৱাশক লৌবগী থৌরম পাঙথোক্লবা গভর্ণর কে রাজাসেখরগা ৱারী শানরে। মমাঙদা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্লবা জোরামথাঙ্গা (৭৪) না আইজোল ইষ্ট-১ এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদগী মঙারকশুবা ওইনা মায় পাক্লকখিবনি। মমাঙগী কুমজা ২০১৩ দা পাঙথোকখিবা এসেমব্লী মীখলদা শুপ্নগী সিট মঙাখক ফংবা ঙমখিবা এম এন এফনা হন্দক্কী মীখলদা সিট ২৬ ফংবা ঙমখি। লৈঙাক পায়রম্বা কোংগ্রেসকী ওইনদি হান্না সিট ৩৪ ফংলম্বদগী মঙাদা হন্থরকখি।

অমরোমদা, টি আর এসকী লুচিংবা কে চন্দ্রসেখর রাওবু লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা ওইনা খনখিবগা লোয়ননা শগোলশেন নুমীৎতা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌনবা শেম-শাখ্রে। অপূনবা সিট ১১৯ গী মনুংদা সিট ৮৮ ফংবা ঙমখিবা টি আর এসনা চন্দ্রসেখর রাওবু টি আর এস লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা খল্লে হায়না গভর্ণর ঈ এস এল নরসিমহনদা অইবা চেরোল পীশিনখিবগা লোয়ননা লৈঙাক শেম্নবা ৱাফম পুখৎখি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না শগোলশেন নুমীৎকী নুংথিল পুং ১.৩০ দা চন্দ্রসেখর রাওবু চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি হায়রি। টি আর এসকী লুচিংবা অসি সিদিপেট দিষ্ট্রিক্টকী গজৱেল এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদগী অমুক হন্না মীখলদা মায় পাক্লকখিবনি।

কোংগ্রেসনা মায় পাকখ্রবা মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান অমসুং ছটিসগরগী ওইনসু অথুবা মতমদা অনৌবা লৈঙাক অমমম্ ৱাশক লৌরগনি। মধ্য প্রদেশতা চীফ মিনিষ্টর ওইগদবা মীওই অনী থোরকপা মরম্না পার্টি প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা হিরম অসিগী মতাংদা অরোইবা ৱারেপ লৌরগনি। ষ্টেট অসিদা সী এম ওইরক্কদ্রা পান্নরিবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

নুপী লাল নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

কৈশাম্পাৎ থোংদগী সঞ্জেন্থোং ফাওবগী লম্বী *নুপী লাল রোদ* থোল্লগনি : সী এম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২(ঐচ এন এস): বৃটিশকী লোইলম লৈঙাক্কী মায়োক্তা মণিপুরী নুপীশিংনা হৌখিবা লালহৌ অদুবু নীংশিংদুনা ঙসি মণিপুরীশিংনা খুন্দাবা তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা লূপ কয়ানা শীন্দুনা নুপী লাল নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লখ্রে।

মপূং ওইবা থৌরম মণিপুর লৈঙাক্না শীন্দুনা ইম্ফালগী নুপী লাল মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা চীফ গেষ্ট অমসুং দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা প্রসিদেন্ট ওইখি। থৌরম অদুগী অহৌবদা নুপী লাল মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা লৈরিবা মীতমদা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংদুনা লৈ-শু কৎখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা হায়খি, মালেমদা মপাঙ্গল কল্লবা মতমদুগী বৃটিশ লৈঙাক্কী মায়োক্তা মণিপুরী নুপীশিংনা হৌখিবা ঈহৌ অদু শীংথানিংঙাইহনি। থৌনা ফবী ইমাশিংনা লৌখিবা থৌদাং অদুবু নীংশিংবগা লোয়ননা ঐখোয়না থবক কয়া পায়খৎপা চঙই। কৈশাম্পাৎতগী সঞ্জেন্থোং ফাওবগী লম্বী অসি নুপী লাল রোদ হায়না মমিং থোন্নবা কেবিনেটতা পুথোক্তুনা ৱারেপ লৌরগনি।

ষ্টেট লৈঙাক্না নুপী ওইবীশিংগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা থবক কয়া পায়খৎলক্লি। নুপীশিংগী মায়োক্তা চত্থবা ক্রাইম থিংনবগীদমক মীৎয়েং থমদুনা স্পেসল ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট লিংখৎখি। ফাষ্ট ট্রেক কোর্টতা হৌজিক ফাওবদা মীওই ১০গী মথক্তা কনভিক্ট পীখ্রে। ষ্টেট অসিদা নুপী ওফিসর কয়া অমসু থৌদাং লৈবা পোষ্টশিং শীন্নদুনা ইকায় খুম্নরি। সেক্রেটেরিগী লেবেলদা নুপী অহুম থবক তৌরি। দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী থাক্তা নুপী মঙা, সী ও অমদি এস পিগী থাক্তা নুপী মাপন, এদিসনেল এস পিগী থাক্তা নুপী ১০ হৌজিক মথৌ তৌদুনা লৈরিবনি। নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিং অসি ঐখোয় খূদিংমক্না ইকায় খুম্নবা চঙই।

পি এম এ ৱাইগী মখাদা য়ূম শাবগী স্কিম অসি নুপা অমদি নুপী অনীমক্কী মিংদা লৈবা লমদা শাবগী থবক পায়খৎতুনা লাক্লি। নুপীশিংদা লমগী মিং ওনবা মতমদা শেল তিংহন্দনা অরাইবা মওংদা ওলহন্নবগী থৌরাংসু পায়খৎলি। ষ্টেটসিদা নুপীশিংনা জিল্লা পরিষদ অমদি পঞ্চায়টকী থাক্তুদি মীহুৎ কয়া য়াওবা ঙম্লে। এসেমব্লিদদি নুপী মীহুৎ অসি খরা হন্থরি। লো শেম্বগী বোদিদা নুপীশিংনা চাওনা শরুক য়াবা ঙম্নবা এসেমব্লিদা নুপী কাবগী চাং ৱাংখৎহন্নবা নুপা ওইবশিংনসু শৌগৎসি। লমদমসিদা লৈরিবা ঐখোয়না নুপী-অঙাং হায়বা ৱাখল্লোন অমা থল্লিবা অসি লৌথোকপা মতম ওইরে। নুপীশিংনসু ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

মেঘলয়া পুলিসতগী ত্রাঞ্জিট রিমান্দ লৌরকখিবা জেদ য়ু এফকী চ্যেরমেন বেল পীবীয়ু হায়রক্লে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১২(ঐচ এন এস): চৎলিবা চহীসিগী ওগষ্ট ২১ দা মেঘলয়া পুলিসকী তোঙান তোঙানবা টিম অনীনা ষ্টেট অদুগী শিল্লোং অমসুং জোৱাইদগী ফাবদগী মণিপুর পুলিসনা প্রদক্সন ৱারেন্ট পুথোক্তুনা মফম অদুগী কোর্টতগী ত্রাঞ্জিট রিমান্দ লৌদুনা পুরকখ্রবা মতুংদগী জুদিসল কষ্টদিদা থল্লকখিবা আউট-লো অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসন (জেদ য়ু এফ) কী মকোক থোংবা লুচিংবা অহুমগী মনুংদা য়াওরিবা ফ্রন্ট অসিগী চ্যেরমেন রাইতু চৱাং (৬৬) না হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা পুলিসনা মহাক্কী মথক্তা চার্জ তৌরিবা কেসশিংদগী বেল পীবীনবা হায়জরকখ্রে।

মেঘলয়া পুলিসনা ফাখিবশিংদু লালহৌলূপসিগী চ্যেরমেন রাইতু চৱাং, ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি গেংচুংপৌ নমথিরাং এলিয়স দাংমৈ অমদি সেক্রেটরি জেনচুই কামৈনি। জেনচুইনা নুমীৎতুদা শিল্লোংদগী ফারগা পব্লিসিটি চ্যেরমেন অমসুং পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা শিল্লোংদগীনা জোৱাই ফাওবগী লম্বীদা বস তোংমিন্নদুনা চৎলিঙৈদা ফাখিবনি। মখোয় অহুম ফারে হায়বগী পাউ তাবগা পন্থদনা তমেংলোং পুলিসকী টিম অমনা মফমদুদা চৎতুনা মখোয় অহুম্বু ত্রাঞ্জিট রিমান্দ লৌরক্তুনা হৌখিবা ওগষ্ট ২৩ দা ইম্ফালদা পুরকখিবনি।

মখোয়বু ইম্ফালদা পুরকপগা পন্থদনা মণিপুর পুলিসকী মায়কৈদগী মখোয়গী মথক্তা তমেংলোং অমসুং তৌসেম পুলিস ষ্টেসননা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেসশিংগা মরী লৈননা কোর্টতা পুথোক্লগা মথং-মথং ফোর্মেল এরেষ্ট তৌরক্লগা হৌজিক্লা জুদিসল কষ্টদিদা থল্লকখিবনি।

অদুম ওইনমক জুদিসল কষ্টদিদা থম্লক্লিবা লালহৌলূপ অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং অসিগী মনুংদগী চ্যেরমেননি হায়রিবা রাইতু চৱাংনা মঙোন্দা চার্জ তৌরিবা পুলিস কেসশিং অসিদগী বেল পীবীনবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

মরী লৈনদে : য়ু এন এল এফ

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১২ : হৌখিবা দিসেম্বর ১০ দা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিসনেল এস পি ওম্সনা লুচিংবা কম্মান্দো টিম অমনা কৈবীদগী সাপম শান্তিকুমার এলিয়স মনাওতোন মচা (৪৫) অপোকপা এস মণি ময়ূমদগী ফাখিবা অদু য়ু এন এল এফকা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না অথিংবা থমখ্রবা লূপ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী দিরেক্টর এম শক-হেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, পুলিসনা ময়ূমদগী ফারে হায়রিবা কৈবী কুমুদা মনিং লৈকায়দগী সাপম শান্তিকুমার এলিয়স মনাওতোন মচা হৌখিবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

কর্নেল অজয় চৌধুরি চেন্নবা পল্লেল দ্রগ কেসকী চার্জ হিয়ারিং লোইখ্রে, জজমেন্ট রিজার্ভ তৌখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১২(ঐচ এন এস): ঙসিদগী চহী ৫ রোমগী মমাঙ কুমজা ২০১৩ গী ফেব্রুৱারিদা ইম্ফালদা আর্মিগী পব্লিক রিলেসন্স ওফিসর (পি আর ও) ওইখিবা কর্নেল অজয় চৌধুরিনা লুচিংলকখিবা খুৎপু অমনা য়ান্নবা দ্রগশিং মোরে তম্না পুশিল্লকপদা পল্লেলদা পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা ফাখিবা থৌদোক্কী মতাংদা কোর্টতা চথরকখিবা চার্জ হিয়ারিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা জজমেন্ট রিজার্ভ তৌদুনা থমখ্রে।

কর্নেল অজয় চৌধুরি অমসুং মহাক্না লুচিংবা খুৎপু অদু দ্রগশিং অদুগা কোন্ননা ফারগা পুলিস কম্মান্দো টিম অদুনা ককচিং পুলিস ষ্টেসন্দা খুৎশিন্নখিবনি। পুলিস ষ্টেসন অসিনা এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ২১/২৯ গী মখাদা তোঙান তোঙানবা কেস অহুম রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। কেসশিং অদুগী এফ আই আর নম্বরশিংনা ২৬(২)২০১৩, ২৭(২)২০১৩ অমসুং ২৮(২) ২০১৩ নি।

কেস অহুম্মক মণিপুর গভর্ণমেন্টনা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনবেষ্টিগেসন (সী বি আই) দা খুৎশিন্নবদগী এজেন্সী অসিনা কেসশিং অসিগী ইনভেষ্টিগেসনশিং চথরকখিবনি। অদুগা কেসশিং অসিগী চার্জসিটশিং ওগষ্ট ১২, ২০১৬ তা সেসন্স জজ, থৌবালগী কোর্টতা সবমিট তৌরকখিবনি।

অদুবু কোর্টসিদা কেসশিং অসিগী ৱায়েলগী থবকশিং পায়খৎননবা থৌরাংলকপদা কেসশিং অসি লম্ফেলপাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল কোর্ট, এন দি এন্দ পি এসতা হৌখিবা চহী ২০১৬ গী অরোইবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

Aptech LEARNING
Unleash your potential
IMPHAL CENTRE
YAIPHAKOL Building
Singjamei Parking
www.aptechlearning.com
7085440528
Available Courses
Air Hostess (Cabin Crew)
Airport Ground Staff
Travel & Tourism Management
Hospitality Mgmt.
SPOKEN English (Speech, interaction).
Certified COMPUTER Courses.
MS Office, C, C++ programming.
Website Development (HTML5/php).
FACILITY :
In-house Airport Operation Training
Lowest FEE
Get TRAINED & Get HIRED
30 Years of experience | 40 Countries
Imphal or Mumbai, we maintain the same Quality
HL-B/5062/13/12-22/12

থৌনা ফবী চাওবীতোন, লৈবাকলৈগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুম্নখ্রে

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১২(ঐচ এন এস): নুপী লাল নীংশিং নুমিৎকা মরী লৈননা নুপী লালদা শরুক য়াখিবী সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দগী অথৌবী লৈখিদ্রবী হামোম নিংঙোল তখেল্লম্বম ওংবী চাওবীতোন অমদি লৈখিদ্রবী লাংপোকলাকপম লৈবাকলৈ অনীগী শক্তমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুম্নখ্রে।

চাউখৎ থৌরাং কাঙলূপ থৌদা ভাবোক লৈকায় অমদি অপূনবা নুপী মরূপ থৌদা ভাবোক লৈকায়না শীন্দুনা ঙসি থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈবা চাউখৎ থৌরাং কাঙলূপকী শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা থৌরমদা অথৌবীশিং অসিগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংলদুনা চাউখৎ থৌরাং কাঙলূপকী মেম্বর ইরাবতনা হায়খি, নুপী লালদা থৌনা ফনা শরুক য়াখিবী ইমাশিংগী মনুংদা মায়কৈ অসোমদগীসু থৌনা ফবী ইমা মঙা য়াওখি। থৌনা ফবী ইমাশিংবু শকখঙবীবা অমদি ইকায় খুম্নবা উৎপা তঙাইফদে। হীরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনসু য়েংশিনহন্নীংই।

নুপী লালদা শরুক য়াখিবী লৈখিদ্রবী অথৌবী হামোম নিংঙোল তখেল্লম্বম ওংবী চাওবীতোন অমদি ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

পার্টিসনগী মতমদা ইন্দিয়া হিন্দু নেসন ওইহল্লমগদবনি : মেঘলয়া হায় কোর্ট

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১২ (এজেন্সী): ইন্দিয়া অমদি পাকিষ্টান খায়দোক্লখিবা মতমদা লৈবাক অসিবু হিন্দুশিংগী লৈবাক ওইনা লাউথোক্লমগদবনি হায়না মেঘলয়া হায় কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

দোমিসাইল সর্টিফিকেট পীবীয়ু হায়না ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৪৪৮ ওফ ২০১৮ গী মতাংদা কোর্ট অসিনা পীখিবা পুৱারী ওইহৌবা য়ারিবা জজমেন্ট অমদা ইন্দিয়া লৈবাক অসি অদুঙৈ কুমজা ১৯৪৭ তা পার্টিসন তৌখিবদুদা ‘সেক্যুলর কন্ট্রি’ অমা ওইহল্লম্বগী মহুৎতা ‘হিন্দু কন্ট্রি’ অমনি হায়দুনা পার্টিসন তৌরগা খায়দোকপদুদা লাউথোক্লমগদবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

মথক্কী ৱাফমসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস এস আর সেননা থা অসিগী ১০ দা পীখিবা পূন্না চেনা ৩৭ পানবা মহাক্কী জজমেন্টদা ফোঙদোকখিবনি। জজমেন্ট অসিনা হায়, পার্টিসন অদুদা পাকিষ্টানদি মখোয় মশানা মশাগী লৈবাকপু ইস্লামিক কন্ট্রি অমনি হায়না লাউথোকখি। লৈবাক অনীগী থৌওংসি লাইনিং লিচৎতা য়ূম্ফম ওইরগা চত্থখিবনা ইন্দিয়াসু হিন্দুশিংগী লৈবাকনি হায়দুনা লাউথোক্লমগদবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কোর্টসিগী জষ্টিস এস আর ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

মীখলগী ফলনা বি জে পিগী নম্ফূ য়াদ্রে তাক্লে : জয়কিষন

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১২(ঐচ এন এস): ষ্টেট মঙাগী মীখলগী ফল হায়দোরকপা অসিদা বি জে পিগী নম্ফূগী থবক য়াদ্রে হায়বা তাক্লে। কুমজা ২০১৯ দগী দেমোক্রেসিগী মশক লাক্লগনি হায়না এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

নহারোল লৈশেম্বা ক্লব থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়গী নৌনা শাবা বিল্ডিং শঙ্গাবগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা হায়খি, হন্দক্তা মীখল পাঙথোকখিবা ষ্টেট মঙাগী মনুংদা বি জে পিনা অমত্তা পানবা ঙমদ্রে। ষ্টেট মঙাগী মীখলদা লাক্লিবা ফল অসিনা বি জে পিগী নম্ফূগী থৌওং অদু য়াদ্রে হায়বা তাক্লে। দেমোক্রেসিগী অশেংবা মশক অদু কুমজা ২০১৯ দগীদি লাক্লগনি। মীয়ামগী চীন মেন্নবা হোৎনবা খক য়ারোই।

ষ্টেট অসিদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ফত্তবা থবক তৌরগা তুমিন্না লৈথোক্কদবা নত্তে। লৈঙাক অসিনা তৌরিবা থবক থৌওং কয়াগী মতাংদা লাউদুনসু লাক্লি। কিহন-খংহনবনা খক য়ারোই। ষ্টেটসিদা তোঙান-তোঙানবা ইস্যু কয়া অমসু লৈরি।

লমদম অসিদা ক্লবশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি শীংথানিংঙাই ওই। নহারোল লৈশেম্বা ক্লব থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়গী নৌনা শাবা বিল্ডিং অমা ঙসি শঙ্গারে। মথক থংবা ফ্লোরগী শরুক অসিসু কুমজা ২০১৯ দা শারগনি। চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎলকপা মতমদা পোলিটিকেলগী ওইবা খেন্নবগী মীৎয়েং থম্নিংঙাই করিসু লৈতে। চাউখৎপা পুরক্লবা হোৎনবা হায়বসি মীয়ামগী য়াইফনবনি। লমদম অসিদা লৈরিবা ক্লবশিংনা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং পুদুনা লাক্লিবনি।

ময়াই কাবা চীঙ্গাক য়ুনচিংবা থিংনবা হোৎনবদসু থৌদাংশিং লৌই। য়ু থিংনবা হোৎনবা মতমদা য়ু থকপগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

অদোমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুঙাইনা, লাইনা অমদি অতেনবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্না
Manipur Cab Services
হৌজিক মনিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে...
খুদোংচাবা অসি লৌবীনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্তগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোৎদুনা চৎপিয়ু
Toll Free Number
1800-345-3838
GET IT ON Google Play
₹ 15 per Km. Normal
₹ 25 per Km. Standard
Picnic, লুহোংবগী অমদি অতৈ থৌরমশিংগী ওইনা অথমনা শেমজবা package লৈজরি
অদোমবু তেক্তা কায়দনা অমদি মতম চানা য়ৌহনবনা ঐখোয়গী পান্দমনি
Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.
HL-P/5719/23/11-22/12

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫